পোক্নফম

www.poknapham.in • THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY • www.thepeopleschronicle.in

কেক্রুপাৎতা পাঙথোকপা ১৬শুবা দি গ্রেত জুন অপরাইজিং এন্দ য়ুনিতি দেগী থৌরমদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবশিংদা থাওগী ইকায়খুম্নবা পীবা

ইং ২০০১ গী জুন ১৮ দা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লবা চঙশিনখিবা মীয়ামগী ঈহৌদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী কেক্রুপাৎতা লৈবা নীংশিং খুভমদা নুপী অনীনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা মপি তৈথোকপা

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৯ দা

অঙৈং–অশা

ঈংবগী চাং	শাবগী চাং	নোংজুগী চাং	নুংশিৎ শীৎপগী চাং
21°C	28°C	6.5 mm	W to E (5 to 11 km/h)

GOLD RATE (24 Karat – Per 10 gm)

Chennai-29,520 Kolkata-29,530
Delhi-29,540 Mumbai-29,510

INR / USD
₹ 64.58/1$

Regd. 28436/75; MNP No. 66 Vol. 42, No. 131 | 14 Pages Imphal, Monday, June 19, 2017; ইঙাগী ২৫ নি পানবা, নিংথৌকাবা *e-mail:* news@poknapham.in / poknaphamdaily@yahoo.co.in ₹ 4.50

গ্রেত জুন অপরাইজিং এন্দ য়ুনিতি দে পাঙথোকখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ ইং ২০০৯গী জুন ১৮গী মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ কনবগীঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা–অথৌবীশিংগী শেংলবা কেক্রুপাৎকী নীংশিং খুভমদা মীয়ান্না হৈকৎ–লৈকৎ তমদুনা ঙসি ১৬ শুবা দ গ্রেত জুন অপরাইজিং এন্দ য়ুনিতি দে –২০১৭ মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে।

য়ু সি এম (য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর) অমসুং অমুকো (ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন) গী ওবজার্বেসন কমিতিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদু অয়ূক অঙনবদগী য়াইকায়রোল শক্তুনা হৌদোকখি।

মরমদমগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাক্লবা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবশিংগী মফমদা ফুরুপ কয়াগী ওইবা ধর্মগী লাইশোলগা লোয়ননা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবা নীংশিং খুভমদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং–মনুং অমসুং মীয়ান্না হৈকৎ–লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নখি।

মণিপুর লেজিলেতিব এসেম্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, কেফ এন্দ এন্দ পি দি মিনিস্তর করাম শ্যাম, এদজুকেসন মিনিস্তর তিঐচ রাধেশ্যাম, পার্লিয়ামেন্তরি সেক্রেতরিশিং এল সুসিন্দ্রো (হোম), কে রোবিন্দ্রো (য়াস), ঐচ দিঙ্গো (আর দি এন্দ পি আর), অশাব উদ্দিন (এম ও বি সি), মণিপুর স্তেত প্লান্নিং বোর্দকী ভাইস চেয়ারমেন এস রাজেন সিংহ, এম এল এ সনসম বিরা সিংহ (কুম্বী) অমসুং কংগ্রেস এম এল এ গাইখাঙমসু কেক্রুপাৎতা লাক্লুনা লাক্কুনা অথৌবা–অথৌবীশিংগী খূভমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বদা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখিবা মীয়াম পূনবা থৌরমদা য়ু সি এমগী প্রসিদেন্তসু ওইরিবা ওবজার্বেসন কমিতিগী ভাইস চেয়ারমেন এলাংবম জোন্সননা হায়, ইন্দিয়া গবর্নমেন্ত অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীনা চথরকপা শান্তিগী ৱারী পরিংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ত সোই তৌনখিবগী মতাঙদা আর তি আই থাদুনা ইনফোর্মেসন কয়া হংখি। অদুবু সেক্যুরিতি দোমেন্দা লৈ, লৈবাক্কী লো এন্দ ওর্দরদা অকায়বা পীবা য়াই হায়দুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্ত্রিনা পাউখুম পীবা থিংখ্রে। প্রাইম মিনিস্তরগী থাক্তা ফাওবা এগ্রীমেন্ত অদুনা মণিপুরগী ঙমখৈগী মতাঙদা করিগুম্বা অহোংবা অমত্তা লৈহল্লোই হায়না লমদম অসিগী মীয়ামদা থাজবা পীখ্রবনি। অদুবু আর তি আই থাবদি মদুগী পাউখুম পীরকখিদবা অদুনা তাকপদি ইন্দিয়া গবর্নমেন্ত অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা সোই তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ত অদুদা মণিপুরগী লমগী শরুক খরা লৌশিনখ্রবরা হায়বগী চিংনবা য়াবা অচৌবা ৰাহং অমা পীরে।

মহাক্লা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ত অদুদা য়াওরিবা ৰাফমশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা ইন্দিয়া গবর্নমেন্তকী পিছ তোক্কী ইন্তরলোক্যুতর ওইরিবা আর এন রবিদা মণিপুরগী সি এস ও (সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন) শিংগী মায়কৈদগী কয়ারক হন্না তক্লরবা ফাওবদা মায় পাকখিদ্রবনি। হৌজিক্তি ইন্দিয়া গবর্নমেন্ত অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীনা নাগালেন্দগী শান্তিগী ৱারী শানরিবা অদুদা নাগালেন্দ মীয়ামগী অতৈ লূপ কয়া য়াওহল্লু হায়বগী ৰাফম অমা অমুক লাক্লে।

ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা থোকখিবা থৌদোক্তু নীংশিংবদা নত্তনা মতুং তাবদা মণিপুরগী মীয়াম্না থাংগদবা খোঙথাংশিং চেকশিন্না থাংদবা য়াদে হায়বগী অপূনবগী ৰাখল্লোন অমা চেনমিন্নবা মখৌ তাই হায়নসু জোন্সননা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়, ইন্দিয়া গবর্নমেন্ত অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী শান্তিগী ৱারী পরিংদা মরী লৈনদবা সিক্স সেদ্যুলগী ৰাফম অমা লাক্লিবা অসি কাঙলূপ নাইবা দিমান্দ অমনি হায়না লৌই। থৌওং অসি চীংগী লূপ অমনা মণিপুর মীয়ামগী মরক্তা অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা শীল্লকপা লাল্লোংদা য়াওশিনব্রা হায়না হংবা য়াবা ৰাহংনি। অসিগুম্বা ফীবম অসি য়ৌরবা ফাওবদা পোলিতিকেল লিদরশিংগী ৰাখল্লোন অসি কন্দায়দা লৈরিবনো হায়বসি মীয়ান্না খঙনিংবা পোকই।

ইন্তরনেল কন্স্ত্রাদিক্সনগী ৰাফম লাক্লবা ফাওবদা ভোত ফংনবগী ৰাখলদা করিগুম্বা ৰাফম অমত্তা থমদ্রিবনো হায়না হংলদুনা লমদম অসিগী মীয়ান্নদি মদুগী মায়োক্তা লাউরি। অদুগা পোলিতিকেলগী ওইবা মায়কৈদা করি ৰারেপ লৌরবগে হায়বসি খঙহনফম থোকই। হৌজিক ফাওবা গবর্নমেন্তকী ওইবা লৌগদবা ৰারেপ মীয়ান্না তাদে,মীয়াম্না লৌরকপা ৰাফমদা গবর্নমেন্তনসু লৌফম থোকপা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু জোন্সননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়, গবর্নমেন্তনা চীংগী দিবেলপমেন্ততা চঙশিল্লবসু কমন অন্দর্স্তেন্দিং অমত্তা লৈতনদি ফেল ওইনবগী পোলিসি ওইগনি। অদুবু, ইন্দো–ম্যান্মা বোর্দরগী সর্বে তৌবদা মণিপুরগী মীহুৎ য়াওহল্লু হায়না চিফ মিনিস্তরনা পুখৎখিবা ৰাফম অদুদি অফবা খোঙথাংনি।

ইথনিক দিবিজন তৌনবা চথরকপা ইন্দিয়া গবর্নমেন্তকী থৌইনশিন অপঙবগী ৰাখল্লোন ওইগনি। ইন্দিয়া গবর্নমেন্তকী থৌইনশিন

মখা লাঃ ৯, কলম ২ দা

য়ু এন সিগী পূং ১২ গী বন্দ লোইশিনখ্রে

নিউমাই নিউজ নেতৱার্ক

সেনাপতি, জুন ১৮ঃ 'ইন্দো নাগা পিছ প্রোসেস' শৌগৎপা অমসুং ইং ২০১৫ গী অগস্ত ৩ দা নিউ দিল্লীদা চথখিবা পুৱারী ওইরবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ত থবক্ত ওন্থোক্নুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা তকশিল্লদুনা য়ু এন সি (য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল) না নাগা তেরিতোরিদা ঙসি অয়ূক পূং ৬ তগী পূং ১২ গী তোতেল শতদাউন চথখ্রে। বন্দ মনুংদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদে।

নোংমাইজিং নুমিৎ ওইবনা চর্চকী থবক থৌরমশিংদি মহৌশাগুম চথখি। লাইনিং লাইশোলগী নত্তবা অতৈ থবক থৌরমশিংদি বন্দনা মরম ওইদুনা অকায়বা থোকখি।

বন্দ মনুংদা নাগা এরিয়াগী মনুংদা লৈবা স্তেত অমসুং নেসনেল হায়ৱেশিংদা গাড়ী চৎনখিদে। পূং ১২ গী বন্দ অদু মীয়াম্না মপূং ফানা শৌগৎপীবগী থাগৎলি হায়নসু য়ু এন সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মখা লাঃ ৯, কলম ১ দা

অহানবা কলম

যোগ দে পাঙথোক্লবা কলেজশিংদা খঙহল্লি

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ মিনিস্ত্রি ওব হ্যুমেন রিসোর্ছ দিবেলপমেন্তকী দিরেক্তিবকী মতুংইন্না মণিপুর য়ুনিবর্সিতিদা এফিলিএত তৌবা কলেজশিংনা জুন ২১ দা ইন্তরনেসনেল দে ওব যোগ ২০১৭ পাঙথোক্লবা অমসুং থৌরমগী ওদিও, ভিদিও অমসুং ফোতোশিং এন আই সিদা থাখিনবা মণিপুর য়ুনিবর্সিতিগী কলেজ দিবেলপমেন্ত কাউন্সিলগী দিরেক্তরনা কলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিংদা খঙহল্লি।

রিমসতা বাইওকেমিকেল ইনভেস্তিগেসন য়াখিরোই

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ রিমস হোস্পিতালগী দিপার্তমেন্ত ওব বাইওকেমিস্ত্রিদা তেক্নিকেল প্রোব্লেম্না মরম ওইরগা রুতিন বাইওকেমিকেল তেস্ত তৌবা য়াদ্রে। মরম অসিনা নুমিৎ খরনিগী ওইনা রিমসদা 'বাইওকেমিকেল ইনভেস্তিগেসন' য়াখিরোই হায়না রিমসগী মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্ত, প্রোফেসার সিঐচ অরুনকুমার সিংহগী চেরোল অমনা হায়রি।

বিস্বজিৎকী তিন্না কন্সুল জেনরেল উনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ মণিপুরগী কমর্স এন্দ ইন্দস্ত্রি মিনিস্তর থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহনা ঙসি কন্সুল জেনরেল ওব ইন্দিয়া, সাইলাস থঙ্গালগা উনবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা খন্নখ্রে।

মিনিস্তর অমসুং মহাক্লা লোয়নরিবা স্তেত অসিগী ওফিসিএলশিংনা কন্সুল

মখা লাঃ ৯, কলম ৭ তা

[illegible]

[illegible]

মহৈরোয় জোন্সনদা মতেঙ পাংনখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্তকী 'অরংবা মণি' অমনি হায়বদা থোইদোক্লা লাল্লরোইদবা জোন্সন এল খোংসাইনা মখা তানা মহৈ তম্বদা মতেঙ পাংগনি হায়বশিং থোক্নরক্লি।

বোসেম (বোর্দ ওব সেকেন্দরি এদজুকেসন মণিপুর) না লৌবা চহী অসিগী ঐচ এস এল সি একজামিনেসন্দা সেন্ত মেরিএজ হায় স্কুলগী মহৈরোয় জোন্সন ১৯শুবা পোজিসন্দা লাকখিবনি। অদুবু লৈতলাইরনা মরম ওইদুনা মহাক লাইরিক মখা তম্বা ঙমগদ্রা ঙল্লোইদ্রা হায়বসি ৰাহং অমা ওইদুনা লৈরিবনি।

জোন্সনগী ৱারী খঙলকপদগী কোমেত স্কুলনা জোন্সন এল খোংসাইবু ক্লাস তুয়েল্ভ ফাওবা তম্বদা অচঙবা পুন্বা মতেঙ পাংলগনি হায়না লাউথোকখ্রে। দি আর দি এ (দিস্ত্রিক্ত রুরেল দিবেলপমেন্ত এজেন্সি) চুরাচান্দপুরগী প্রোজেক্ত ওফিস্সর য়ুন্নাম সশিকুমারনা মহাক্কী লাইরিক পাবদা মতেঙ ওইনবা সোলর লেম্প অনী খূদোল তমখ্রে।

চীংগী লায়রবা ইমুং অমদগী হৌরকখিবা জোন্সন এল খোংসাইগী অপোকপা ২০১২ দা উ চিংথোকপদা উ বিমনা নল্লগা লৈখিদ্রবা মতুং মমা থেনলিংনা ৱানা হোৎনদুনা মচাবু মহৈ–মশিং তমহল্লকপনি।

মহাক্কী মমা থেনলিংনা য়ূমথোঙ খুদীং চৎতুনা মনা–মশিং য়োল্লগা ইমুং পুরকখি। মহাক্কী ইমুং–মনুংগী ফীবম অসিদি হিংননবা হোৎনবদা অচৌবা লানফম অমনি। ফীবম অসিদা লাইরিক মখা তমথবা হায়বসি ঈশ্বরগী থৌজাল নত্তনা লৈতে। মহাক ক্লাস ফাইবতগী তোলেনদা লৈবা জে এম ইংলিশ স্কুলদা মহৈ তম্লকখি। মমৈদা মহাক সেন্ত মেরিজ হায় স্কুলদা হোংলকখিবনি। লাইবক ফৰনা মহাক ক্লাসতা ফার্স্ত অয়াম্বা লাকপনা স্কুল অথোরিতিনা ফী চাদা ৫০ দিস্কাউন্ত পীবীদুনা লাকখি।

মহাক্কী অপোকপনা পাল্লম্বা মতুংইন্না মহাক আই এ এস ওফিস্সর ওইদুনা মীয়ামগী সেবা তৌনিংই। অদুবু মসি পুন্বসি তাইবং শেন্বীবা মপুগী থৌজাল নত্তনদি ওইথোক্লরোইদবা অমনি হায়না জোন্সননা পাউ–চে অসিগা উনবা অমদা ফোঙদোরকখি।

মীতৈ পাঙলশিং লমদম অসিগী নিঙোলগী মচা নত্তে হায়বা ঙম্বা মী অমখক্তা থোকপীরকউ ঃ বীরেন

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীতৈ পাঙলশিং অসি লমদম অসিগী ঈগী মরী ওইবা ইচিল ইনাও ঙাক্তনি, লৈমিন্নরিবা মীতৈ পাঙলশিং লমদম অসিগী মীতৈ নিঙোলগী মচা–মশু নত্তে হায়বা ঙম্বা মী অমখক্তা থোকপীরকউ হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিস্তর এন বীরেননা য়াম্না থম্মোয় শোক্লা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন্স কো–ওর্দিনেতিং কমিতি (অম্মোকোক) না শীন্দুনা চীংমৈরোংদা লৈবা হোতেল গ্রান্দে–দা পাঙথোকখিবা ইফতার পার্তি অমদা চীফ গেস্ত ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিস্তর এন বীরেননা হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক লাক্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা গবর্নমেন্ত অসি লমদম অসিগী লৈরিবা কাঙলূপ খুদীংমক্কী গবর্নমেন্তনি। গবর্নমেন্ত অসিনসু কাঙলূপ অমসুং ধর্ম্মগী য়েংলগা কৈদৌঙৈদসু থবক তৌরোই। লৈমিন্নরিবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা অচুম অরান খঙদনা তোকঙাদা থাজবগী চৎনবী অসি থাদোক্লসি। ঐখোয় য়াম্না শোথনা লৈরিবা কাঙলূপনি। মাঙলোমদা চঙশিনগদবা কয়া অমা ৰাৎলি।

লমদম অসিদা চহী কয়াগী মমাঙদগী খুন্দামিন্নদুনা লাক্লিবা মীতৈ পাঙলশিং অসি মাইনোরিতিনি হায়না লৌদে। মখোয়শিং অসি ঐখোয়গী ঈ ওইবা ইমাগী মচা মশুশিংনি। লমদম অসিগী ঈ ওইরিবা মখোয়বু মাইনোরিতিনি হায়না লৌবা অসি য়ানিংদে। মীতৈ পাঙলশিংগী মরক্তা

মখা লাঃ ৯, কলম ২ দা

VIDEOCON W/MACHINE লাক্লে
VIDEOCON 98CM FULL HD = ₹ 30500
40 HH (LED) = ₹ 28500
AQUASURE AMRIT ₹ 2,490 FREE
32" LED = ₹ 18999
AQUASURE AMRIT ₹ 2,490 FREE
SAMSUNG 24" LED = ₹ 14300
AQUASURE AMRIT ₹ 2,490 FREE
3 YRS WARRANTY LED TV
40 HH (LED) = ₹ 27500
32" LED = ₹ 17500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6 KG ₹ ~~8590~~ = ₹ 8200
7.2KG ₹ ~~12190~~ = ₹ 9700
190LT REFRIG: + STAND ₹ 11000
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL

'কাংপোকপী এরিয়াদা নন 'সু' গ্রুপনা শেলগী দিমান্দ তৌরি'

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ কাংপোকপী দিস্ত্রিক্ত হেদক্বার্তরসতা গবর্নমেন্ত ওফিসশিং অমসুং দুকান যল্লীবশিংদা শেলগী দিমান্দ তৌদুনা এরিয়া অসিদা তন্দু লৈতাদবা ফীবম অমা মায়োক্নহল্লিবা অসি নন 'সু' গ্রুপনা চথবনি হায়না তোঙান–তোঙানবা সোর্ছশিংনা ফোঙদোক্লক্লি।

শেলগী দিমান্দ তৌবগী থবক অসি দিস্ত্রিক্ত হেদক্বার্তরস খব্দা নত্তনা নেসনেল হায়ৱে নম্বর–২ গী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদসু চথবগী রিপোর্ত লৈরি।

সোর্ছ অমনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না, ফোরেস্ত, ত্রান্সপোর্ত অমসুং ইলেক্ত্রিসিতি দিপার্তমেন্ততা নন 'সু' গ্রুপ্না য়াম্না শেনফমশিং দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা দিমান্দ পীদ্রবদি থোক্লকপা অফ–ফত্তগী দায়ত্ব মশা–মশানা পুজগদবনি হায়না খঙহল্লি। তোঙান–তোঙানবা দুকানশিং অমসুং লন্নাই মী খরদসু শেলগী দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা কিহনবগী থবক চথরি হায়রি।

অতোপ্পা সোর্ছ অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না,

মখা লাঃ ৯, কলম ৭ তা

ওল্ড এজ হোম মরাং কায়না লিংখৎপা মথৌ তারক্লিঃ মৈন্য

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন১৮ঃ মালেমগী ওইনা হৌজিক হোংলক্লিবা অহোংবা অমসুং অনৌবা মীরোল অসিগী চহীচা অসিগী পুন্সি মহিং অসি য়েংলগা অহল ওইবশিংগীদমক ওল্ড এজ হোম অসি মরাং কায়না লিংখৎপা মথৌ তারক্লি হায়না লোক সভাগী এম পি দাঃ তি মৈন্যনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল মণিপুর সেনিয়র সিতিজেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন মোংশাঙ্গৈ, ইম্ফালনা শীন্দুনা ওল্ড এজ হোম মোংশাংগোদা পাঙথোকখিবা হোম অদুগী ৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা চীফ গেস্ত ওইখিবা এম পি থোকচোম মৈন্যনা হায়, হৌজিক মণিপুর য়াওনা মালেমগী ওইনা মীয়ামগী পুন্সি মরেল অমসুং পুন্সি মহিংদা হেং লক্লিবা অহোংবা অসি মমাঙঙোগা য়েংনবদা অসুক্কী মতীক খেন্নবা লৈরে। হৌরক্লিবা অঙাংশিং অসিনা হেক মপুং মরৈ ফারকপগা থবক শূনবা হোৎনরকপদা মমা–মপা, ময়ুম–মকৈ নীংশিংবগী মতম ফাওবা লৈনরক্তে। য়ুম্বাল লন্বীদা চৎমিন্নরিবা নুপা–নুপী ফাওবা পুন্না লৈমিন্নবা ফংদবা মতম হায়বদু ওইরক্লি। মতমগী মতুংইন্নাহোং লক্লিবা পুন্সি মহিং অসিদা অহল ওইরবশিংগীদমক ওল্ড এজ হোমগী মরু ওইবা অসি হেনগৎলক্লি।

অহল ওইরবশিংনা সেবা পান্নরক্লবা মতম অসিদা থেনরিবা খুদোংচাবা অসি য়েংলগা ওল্ড এজ হোমশিং অসি য়াম্না লিংখৎপা মথৌ তারক্লি। ওল্ড এজ হোম অসিদদি দোক্তরগী খুদোংচাবা অমসুং হকশেলগী ফীবম চাং নাইনা চেক তৌবগী নুংগাইবা কয়া লৈরি। পুন্নমক অসি য়েংলগা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অসিগুম্বা হোমশিং

মখা লাঃ ৯, কলম ৪ দা

তুরেলদা তাউথরকপা য়াওনা অশিবা হকচাং মরি ফংলে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ ইম্ফাল তুরেলদা তাউথরকপা অশিবা হকচাং অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম মরিদগী নুপা মরিগী অশিবা হকচাং শিং ফংখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ঙসি অয়ূক পূং ৮ লোম তাবদা হৈঙাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ইম্ফাল তুরেলগী হৈঙাং থোং মখোঙদা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা তাউথৎলকখি। হৈঙাং পুলিসকী তিম অমা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা হকচাং অদু লৌখৎলবা মতুং জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

জেনিমসতা লৈরিবা অশিবা হকচাং অদু সাইকুল সব–দিবিজনগী মনুং চনবা খাওচাংবু খুনদগী পাওমিনলাল এলিয়জ লালবোই সিতলৌ (৩৩) অপোকপগী মিং লুনসাত সিতলৌ কৌবা অমনি হায়বা খঙবা ঙম্রে। মহাক থা অসিগী ১৩দগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। মহাক থিবা খঙদবা অদুগী মতাঙদা কাংপোকপী পি এসতা মিসিং রিপোর্ত অমসু লৈ হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ূক পূং ৫.৩০ লোম তাবদা শীংজমৈ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা শীংজমৈ চীংঙামখাদা লৈবা মণিপুর কলেজগী মায়োক্লবদা লৈবা পুখ্রী মপালদা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং লৌরেম্ভম সনাতোম্বা এলিয়জ পপাক (৩৫) অপোকপগী মিং বিরমঙ্গোল কৌই, হাওবম মরক লৌরেম্ভম লৈ

মখা লাঃ ৯, কলম ১ দা



ই! অঙাংশিংনা ইরকইবা ময়েকসিদি ঐদি কম্মাইনা পাদৌরিবা?!!

[illegible]

[illegible]

- হা! হা! হা! ৱা–ৱা–ৱা
- কৈনো অদুক নুংঙাইরিদুবো
- অনৌবা সরকার। অনৌবা রেকোর্দ। ৱা–ৱা–ৱা
- ঐখোয়সু খিক্তা নুংঙাইবদা য়াওগেদনা। করিনো হায়য়ু
- শাবদা ঙায়রিবা পোরোম্পাতকী দাক্তরখানাগী ওদোতিরয়ম নোং য়ুরকপা
- ৱা–ৱা–হৌরেনে নুংঙাইবা অদুদা
- মদুবু করন্না নোং য়ুরক্লিনো খঙননবা অনৌবা সরকারনা কমিতি অমা শেন্নগা ইনক্বারি তৌহনবা
- ৱা–ৱা। মদুসু ফজে
- ইনক্বারি রিপোর্ততা থিকাদারসু মাগী শূফম থোকপা থবক অদুম চপ চানা তৌরম্মী। এঞ্জিনীয়রশিংগী দিজাইনসু শোয়রমদে হায়রি
- ৱা–ৱা। লৈতদনা দাক্তর ময়াম্না তান্নরগা নোংবু মপান চিফেৎ চিফেৎ থোক্তনবা হীদাক থারবা য়াই হায়
- ৱা–ৱা। নোং ফাওবা কিদনি ফেল ওইরবা

ভঙ্গাই রেঞ্জদি চাওখৎ থৌরাংগী ৱাংমদা ইন্থোকপীরি

সগোলসেম বিজ্ঞান

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ হন্দক্তা নৌনা চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্ততগী খায়দোকখিবা ফেরজোল দিস্ত্রিক্তকী মনুং চনবা ভঙ্গাই রেঞ্জ সব–দিবিজন অসি গবর্নমেন্তনা পায়খৎলিবা চাওখৎ–থৌরাংগী মীৎয়েংগী ৱাংমদা ইন্থোকপীবগুম্না লৈরি।

সব–দিবিজন অসি হান্না চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্তকী মখাদা লৈরম্লবসু চাওখৎপগী মমি মচেৎ অমা ফাওবা তাদ্রি। মরু ওইনা এদজুকেসন অমসুং হেল্থ সেক্তরদা অসুক্কী মতীক শোথবগী হেন্দোক্তুনা মণিপুরগী লম অমা ওইরবসু মণিপুরগা শন্নবগী লম্বী অমত্তা লৈত্রি।

ভঙ্গাই রেঞ্জ সব–দিবিজন অসিগী মনুংদা গবর্নমেন্তনা শকখঙলবা খুন ৫৮ লৈরি। ফেরজোলদগী কিলোমিতর ৩২ রোম চৎলগা বরাক তুরেল লাল্লগা ভঙ্গাই রেঞ্জ সব–দিবিজন য়ৌবা ঙম্মী। অদুবু বরাক তুরেল লান্নবগী থোৎদি অমত্তা লৈতে। হান্না চহী কুন্দলোমগী মমাঙদা বরাক তুরেলগী মথক্তা থোং অমা লৈরমখি। থোং অদুগী মতেঙনা ভঙ্গাই রেঞ্জকা শন্নহল্লমখি। মতম অদুদা এম এস আর তি সিগী বস ফাওবা ভঙ্গাই রেঞ্জ য়ৌনা চেল্লমখি। অদুবু, থোং অদু তৎখিবদগী ঙসি ফাওবা মতীক চাবা থোং অমত্তা লৈত্রি।

ফেরজোলদগী ভঙ্গাই রেঞ্জ ফাওনবগী থোং অমা মমাঙদা পাল্লমখিবা কংগ্রেস গবর্নমেন্তনা শারমখি। অদুবু ঙসি ফাওবা লোইশিনবীদনা থম্বিরম্লি।

ভঙ্গাই রেঞ্জ চংকে হায়রগদি বরাক তুরেল অদু ৱানা শাবা পোন্দা তোঙদুনা লানবা তাই। ফেরজোল, থানলোন, পার্বু অমসুং ভঙ্গাই রেঞ্জ অসি ফেরজোল দিস্ত্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা সব–দিবিজন ঙাক্তনি। দিস্ত্রিক্ত অসিগী দিপুতি কমিস্নর এ তোম্বীকান্ত সিংহনা সব–দিবিজন মরিমক য়েংশিনবা চৎপদা ভঙ্গাই রেঞ্জ অসি য়ৌনবগীদমক ৱানা শাবা পোং তোঙদুনা চৎলি। গাড়ী অমা লানবা মতমদা মিনিত ৪০ দগীনা ৪৫ ফাওবা চঙই। গাড়ী অচৌবা অমা লানবদা লুপা ৭০০ লৌই।

ভঙ্গাই রেঞ্জ সব–দিবিজন হেক য়ৌবগা কোইলাস থাবা লম্বী মচেৎ অমা ফাওবা উদে। লম্বী মফম মরাং খঙদে। অদুবু সব–দিবিজন অসিগী লম্বীশিং অসি ১৯৭৮ গী মতমদা বি আর তি এফনা কোইলাস থারম্লনি। অদুবু শেমজিন–শাজিনবীদবনা ঙসিদি সব দিবিজন অসিদা কোইলাস মচেৎ অমা ফাওবা উবা ফংদ্রে।

মখা লাঃ ৯, কলম ৭ তা

পোক্নফমগী তেলিফোন নম্বরশিং ঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা – 9436020649 দা, Gas কী পাউ পীবিনীংবশিংনা – 8118936893, Office—0385-2459175 / 2446562 দা পীবিয়ু।